থম্মোয় পাউদম হুইয়েন ইন্দু

# মপানগী তুরিস্ত লাক্ত্রিঙৈ ঐখোয় তুরিস্ত ওইখিসি

অঙকপা লৈপাক মচা অমনি মণিপুর। লমদমসিদা লৈপাক মচা তাদবা মীসু লৈ। চাউখৎপা, লৈপাক মচা তাবা মীসু লৈ। অঙাকপা মী মখল শুনা লৈবা অঙকপা লৈপাক্লি মণিপুর। চীংলোন মাপলনা কোয়শিনবা, লন্বী থোংগী ফিভম্না অঙকপা ফঙনা ফৎত্রিঙৈ, চীংনুং-মানুং ফাওরগা নোরোক তম্না চৎপগুম চৎনরিঙৈ মতমদুদগী লাক্লরম্মী মফমসিদা লাইশিংগী শান্নফম, লাইরৈবাক্লি খন্দুনা।



শ্রীকৃষ্ণনা রাধাগা সখিশিংগা লোয়ননা নুংশি-লীলা মপুম-ফানা শান্নখিবা জগোয় রাস, রাস লীলাগী হৌরকফমদু মসিনি। লমদমসিগী কৃষ্ণ-ভক্তশিংতনা হায়জবা নত্তে। মালেম পূম্বনা হায়বনি। মণিপুরী জগোয় হায়রগা খঙনরিবা জগোয় রাস - রাধা কৃষ্ণ অনীগী নুংশি ৱারীদা শাগৎপা ওইরসু, শাথেক-শাওং, খুৎফোঙদোক্তুদি ঐখোয়গীনি, মথুরা-বৃন্দাবনলোমদগী পুরকপা নত্তে লমসিদা। মীরান লম্বোইবদগী হৌরগা, বৃটিশ মচা জেনরেলদগী সিপোই ফাও লমদমসিদা লাক্লগা, হনখিবা ঙাক্লি থাজদবা অঙকপা শক্তম কয়া নীংশিংবা মরক্তা পুদুনা। মখোয়না সিদা লাক্লমদ্রবা, মখোয়গী নীংশিং শক্তমশিং ৱাহৈ ওইনা ওন্থোক্লমদ্রবা! থাজবীয়ু, 'মণিপুর' নাপী সীংনাঙ মরক্তা তাদুনা মাঙখিবা মণিগুম, কনানসু শকখঙবীরম্লোই। কনানসু থিরক্ল ম্লোই - মাঙখ্রবা মণি কদায়দনো? লমদমসিগী লৈমায়দা নোংমতসু খোঙ্গুল তারমখিদবা 'বিশ্ব কবি রবিন্দ্রনাথ' মীতৈ জগোয় শাথেক অমদি ফিজেৎতনা শুমহৎখি। গুরুদেবনা মণিপুরী জগোয়দা ঙাওরমদ্রবা, শান্তিনিকেতন লিংখৎপদা জগোয় অসি য়াওরমদ্রবা - 'মণিপুরী দান্স' ঙসিগী থাক অসিদা লৈরমগদ্রা? হংবা য়াবা, খন্নবা য়াবা ৱাহং অমনি। হংবীয়ু ইথন্তা, খুন্বীয়ু ইথন্তা।

পীক্লবা ফুরুপ কয়ানা, খুল অমা নিংথৌ অমা লিংলদুনা পান্নরম্বা, লমখৈ হেন্দোক হেঞ্জিন ৱাহৌদা তোয়না থোক্লবা লানদুনা থাঙ-তা, ফুন-কাঙলোন, শরিৎ শরাক মার্সিয়েল আর্ট ফোর্মশিংদা হৈথোয় শিংথোয়বা ওইহল্লকখি। চীং-পাৎ, তুরেলনা মরাঙ কায়বনা ঙা-চাক, ফৌ-চেঙ ৱাৎপা লৈত পৈরম্মী, মতম লেনফম খঙদবনা জগোয়-ঈশৈ-কুমহৈ-হরাওদা লুপ্লম্মী। মদুনা শেম্লকই- জগোয় ঈশৈ কলাগী লোইনাইদবা পুক্কে অমা। অপীকপা চেক্লা-চা অমগী মহুম-পোঞ্জেল অপীকপা, গ্লোবেলাই-জেসনগী নুংশিৎনা হুম্লকপদা মালেম শীন্না শন্দোকখিঙৈ, কাইদোংফম খঙ ককঙাও-নরকপদুগা পাঙখক্লি। মালেমগী মেপ য়েংলুবদা বিন্দু (দোত) অমগী মফম কল্লিবা 'মণিপুর' - মালেম পূম্বই মিতাফম, মীৎয়েংফমদু ওইরকখি।

খঙহৌদনা মায়োক্লরক্লিবা অহোবসিগীদমক্তি ঐখোয় পুম্নমক কনাসু শেম শারকখিদে। শেঞ্জা থুমজানা হারবা, মীচম-মীয়াম্বু তুহৎপা, সুপ্লম-সাসন হৈনবা, মীয়াম য়াওদবা মীয়াম লৈঙাক অমদা শুদৎপীরবা মীচম ওইনা লৈরকখি লমদমসিগী মীয়ামদি।

হৌজিক্তি ঐখোয় চাউখৎ খোঙজেলদা তাল চাদনা খোঙ থাংলিবা, চেনমিন্নরিবা লমজেল্লোয়শিংগা মান্ননা থাংবা ঙমদ্রবা শোঞ্জুনরবা লমজেল্লোয় অদুমক্কী শক্তমদুনি ঐখোয়না লৌরিবা। অসিগুম্বা তানফমদা খ্বাইদই মরুওইবসি ঈশাবু ঈশানা শকখঙজবনি। পঞ্জাব, হরয়ানা, দিল্লিনা ঐখোয়দগী চহী কুন্থ্রাগী খোঙকাপ হান্না থাংদুনা চৎখ্রে হায়বা অচুম্বসি খঙবদা করি কায়বগে? হায়বদা করি লানবগে? অশোনবা ঐগী অকনবা ইতৌ, মীয়াম্নদি উদ্রিবা, মদুদা লৈজবা থৌনা ফুদোকপা! মদু নৎত্রা, অশিংবা থৌশিল হায়বদুবো? লন্বী-থোং, হকশেল অমদি এদ্যুকেসন মসিদি মতম চুপ্পদা তৌদবা য়াদ্রবা তৌফদ্রবা থৌদাংনি। মীগা মীমান্নহৌদ্রে হায়দুনা ঙসি হয়েং ফুক্কৎপদুনা, ঙসিগী বেঙ্গলোর-হায়দরবাদকী থাক য়ৌবদা চহী চাম চঙখিনি। অদুবু, মখোয়না তানবা ফঙলোইদবা, ঐখোয়তনা মাঙজিল থাগদবা লমজেলদি 'তুরিজম ইন্দষ্ট্রিগী লমজেল'নি। অদুবু, অৱাবদি, লমজেলদুদা ঐখোয়দি য়াওবা ফাওবা য়াওদরি, অহানবা খোঙথাঙ থাংদরি। খঙবদি খঙই, লমজেলসিদা ঐখোয়না য়াওশিনববু ঙল্লবা, অপীবা মতম অমগী মনুংদা মাঙদা চেল্লিবা ময়ামসিবু তানখৎপা ওইথোক্লোইদবা মোন্দ্রঙ নত্তে। ইতিহাসকী অমনবা ফুরা দলান, মাঙলমচৎকী কায়রবা লানবন য়েংবনগা, মহৌশাগী লৈকোন্দা, শকউদবা কলাকারদুনা শেম্লকপা কলাগী খূৎশেমদুগা লেঙ্গোনমিন্নবা, মালেমগী থম্মোয় খোল্লিবা পূং-ঈশৈ-জগোয়গী তাইবংদা মশানা মশাবু কাউথোকচবা অদুগা করম্ববু খোয়দাজগদগে লমকোয়-মী অমনা?

তুরিজম দিপার্টমেন্টকী অখঙ অহৈসু লৈরিবনি। অদুবু, লৈঙাক মপুগী ৱাখল- পোইরৈ য়েংনা জগোয় শাবনিনা ঙসি ফাওবা, দিপার্টমেন্ট অসি লৈরি হায়বা খঙহন্নবা মশক থোকপা থবক অমা ফাও উৎথোকচবা ঙমজদে। শঙাই ফেষ্টিবেল, শিরুই ফেষ্টিবেল, বরাক ফেষ্টিবেলনচিংবা ষ্টেট লেবেল তুরিজম ফেষ্টিবেল খরা পাঙথোকপা হৌরক্লবনা আশাগী মঙাল অমদি উরক্লে হায়ববু তুরিজম হায়বসি কুমহৈ নত্তে চাউরবা ইন্দষ্ট্রি অমনি হায়বসি মীয়ামগী থম্মোয়-ঈহুল খঙই হায়নরিবা আশা চাউরবা অনৌবা লৈঙাক অসিগী লুচিংবশিংদা খঙহঞ্জনীংই।

খ্বাইদই মরু ওইবদি, মণিপুরী জগোয়-রাসকী হৌরকফম ওইরিবা কাইন-চীংগী খুভম অমদি অকোয়বগী ফিভম ৱার্ল্ড ক্লাস টুরিষ্ট ওইহনবনি।

লৌশিং পুক্কে

# মীওই অয়াম্বনা থৌশানদবা সাইকল থৌবগী কান্নবশিং

অঙাং ওইরিঙৈদা মীওই অয়াম্বা বাইসাইকল থৌরকই। অঙাংগী ৱা ঙাক নৎতনা মপুং-মরৈ ফারবা মীওইশিংসু অদুমঙাই। মতম অমদদি বাইসাইকল ঙাক্তা থৌনরম্মী। স্কুল কাবা, ওফিস চৎপা অমদি কোয়বা-লাঙবা পুম্নমক সাইকলদা চৎনরম্মী। অদুবু ঙসিদি মমল তাঙবা, শীজিন্নবদসু নুংঙাইবা কার অমদি কাংখোঙ অনী পানবা গাড়ী কয়া থোরকপদগী লন্বীদা সাইকল মশক উবা ফংলক্ত্রে।



সাইকল থৌবনা চহী মতাং খুদিংমক্কী মীওইদা কান্নবা কয়ামরুম পী। চাং নাইনা হকচাং শাজেল তৌবগী মওংদা নুমীৎ খুদিংগী সাইকল থৌরবদি ওবেসিটি, হার্ট দিজিজ, কেন্সর, মেন্টেল ইলনেস, দাইবেটিস অমসুং অরথ্রাইটিসনচিংবা খুদোংথি-নিংঙাই ওইরবা লায়না কয়াদগী ঙাকথোকপা ঙম্মী। হকচাং লেঙ-ওৎপগী চাং ৱাৎলবা ঙসিগী মীরোলনা শাজেল তৌনবগী তোখায়বা মতম কায়থোক্ত্রবসু ইশাগী থবক চৎপদা সাইকল থৌরগা চৎলবদি হীরম কয়াদা কান্নবা ফংই। থবক চৎপা নৎত্রগা পোৎচৈ লৈবা চৎপদা সাইকল থৌরগা চৎলবদি ইশাগী ইথৌদসু অকায়বা পীদবগা লোয়ননা হকচাং শাজেলসু অদুম্মক তৌরে হায়না লৌবা য়াই।

নুমীৎ খুদিংগী সাইকল থৌবনা পীরিবা কান্নবশিংদি হার্ট ফহনবা, মশল কলহনবগা লোয়ননা ফ্লেক্সিবল ওইহনবা, তাঙ-তাঙ লেংথোক-লেংশিন তৌবদা নুংঙাইহনবা, ষ্ট্রেস হন্থহনবা, হকচাংগী ফীভম ফজহনবা, শরূ কলহনবা, ফেটকী শরুক হন্থহনবা, লায়না কয়ামরুম ঙাকথোকপা লোয়ননা এঞ্জাইটি অমসুং দিপ্রেসন হন্থহনবা অসিনচিংবনি।

সাইকল থৌবনা মেটাবোলিক রেট হেনগৎহনবগা লোয়ননা মশল শেমদোকপা অমসুং বোদি ফেট লৌথোকপা মরম্না হকচাংগী অরূম্বা হন্থহনবদা মতেং পাংই। কা-হেন্না ৱাহন্দবা মওংদা হকচাং শাজেল তৌবা য়াবা খ্বাইদগী ফবা পান্বৈদি সাইকল থৌবনি।

বৃটিশ রিছার্চরশিংনা চথখিবা ষ্টদি অমগী রিপোর্টনা হায়খি, মীপুম খুদিংমক মশা-মঙ ফনা লৈনবগীদমক হকচাং শাজেল তৌদুনা চয়োল অমদা কেলোরি ২০০০ রোম মাঙহনখিবা মথৌ তাই। তপ্না তপ্না সাইকল থৌবা মতমদা পুং খুদিংগী কেলোরি ৩০০ মাঙখি। নুমীৎ খুদিংগী পুংখায় অমা সাইকল থৌবা তারবদি চহী অমগী মনুংদা ফেট কিলোগ্রাম ৫ রোম মাঙখিগনি হায়রি। নেদরলেন্দসকী রিছার্চরশিংনা মশাগী চহী ২০ অমসুং চহী ৯৩ গী মনুংদা লৈবা মীওই ৩০,০০০ দা চহী ১৪ চুপ্না ষ্টদি চথবদা চাং নাইনা সাইকল থৌবনা হার্ট, লংস অমসুং ব্লদ সর্ক্যুলেসন ফগৎহনবা মরম্না থম্মোয়গী লায়না নারকপা য়াবগী রিস্ক হন্থহল্লি হায়বা খঙলকখি। সাইকল থৌবনা হার্টকী মশলশিং কনখৎহল্লি অমসুং ঈদা য়াওবা ফেটকী চাং হন্থহল্লি হায়রি। মসিগীসু মথক্তা চাং নাইনা সাইকল থৌবনা কোলোন কেন্সর বোয়েল কেন্সর অমসুং ব্রেষ্ট কেন্সরগী রিস্ক হন্থহল্লি হায়না ষ্টদি অমগী রিপোর্টনা ফোঙদোকখি।

মালেমদা টাইপ টু দাইবেটিসকী কেস অসুম অসুম মশিং হেনগৎলকপদগী নুংনাংবা পোক্লিংঙাই ওইবা থাক য়ৌরক্লে। ফিনলেন্দদা পাঙথোকখিবা ষ্টদি অমগী রিপোর্ট মতুংইন্না নুমীৎ খুদিংগী পুংখায় অমরোম সাইকল থৌবা মীওইশিংদা দাইবেটিস নারকপা য়াবগী রিস্ক চাদা ৪০ রোম হন্থরকই হায়রি।

শরূ অনী তাইনফম তাঙ-তাঙদা অনাবা লৈবা মীওইশিংগীদমক্তদি সাইকল থৌবা হায়বসিনা খ্বাইদগী ফবা হকচাং শাজেলনি। মরমদি সাইকল থৌবা মতমদা শরূ অনী শম্নফম জোইন্টশিংদা কা হেন্না ষ্ট্রেস পীদে।

দিপ্রেসন ষ্ট্রেস অমসুং এঞ্জাইটি-নচিংবা ৱাখল লায়না নারবা মীওইশিংনা সাইকল থৌবা মতমদা য়াম্না চাউনা কান্নবা ফংই হায়রি।

কনাগুম্বা মখোঙ ককখ্রবা নৎত্রগনা চৎপা ঙমদ্রবা মীওইশিং-গীদমক্তদি মখুৎনা খোঙনেৎ ওৎপা ট্রাইসাইকল থৌবদা চপ মান্ননা কান্নবা ফংই হায়না জর্নেল ওফ অমেরিকান মেদিকেল এসোসিএসনগী রিপোর্ট অমনা ফোঙদোকখি।




# মাঙজিন থাবা খুন্নাই পুরক্লবগীদমক অফবা মহৈরোয়শিং শেম্বা তঙায়ফদে : শ্যামকুমার



ইম্ফাল, জুন ২৮ (ঐচ এন এস) : মাঙজিন থাবা খুন্নাই পুরক্লবগীদমক অফবা মহৈরোয়শিং শেমগৎপা তঙায়ফদে হায়না ফোরেষ্ট এন্দ ইনভাইরোনমেন্ট অমদি মাহুদ মিনিষ্টর টিঐচ শ্যামকুমারনা ঙসি থম্বালনু মার্কেট কমপ্লেক্স পোইরৌ পাৎ লমখায়দা পাঙথোকখিবা মার্ক ৱাংনা ফঙলকপা মহৈরোয়শিংবু মনা-মথুম পীদুনা পুক্লিং থৌগৎপগী থৌরমদা ফোঙদোকখ্রে।

দিভলপমেন্ট ওর্গনাইজেসন অন্দ্রো কেন্দ্রনা শীন্দুনা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা ৱা ঙাংলদুনা মিনিষ্টর টিঐচ শ্যামকুমারনা হায়খি, মহৈরোয়শিংবু পুক্লিং থৌগৎপা ওইনা মনা মথুম পীবগী থৌরম অসি পাঙথোকপনি। তুংগী য়ুম্বীরেল ওইগদৌরিবা ইনখৎলক্লিবা মহৈরোয়শিংবু অফবা মী ওইনা শেম্বা হায়বসি য়াম্না তঙায়ফদবা অমনি। মাঙজিন থাবা খুন্নাই অমা পুরক্লবা অফবা মহৈরোয়শিং শেমগৎপা চঙই।

অন্দ্রো এ সীগী মনুংদা লৈবা মহৈরোয়শিংগী মরক্তগী ক্লাস টেন অমদি টুৱেল্ব এগজামদা মার্ক ৱাংনা ফঙলক্লবা মহৈরোয়শিং মনা মথুম পীবগী থবক লেপ্তুনা পাঙথোরক্লি। ১১ রক শুবা ওইনা ঙসি পাঙথোক্লিবা অফবা মহৈরোয়দা মনা-মথুম য়েন্থোকপগী থৌরম অসিদা অন্দ্রো এ সীগী অফবা মহৈরোয় কয়াদা মনা-মথুম পীরি। এ সী অসিগী মনুংদগী পোইরৌখোঙজিন্দগী ডা. থাংজম কৌবা সাইন্টিষ্ট অমনা শিংথানিংঙাই ওইবা থবক তৌবগীদমক থোইদোক হেন্দোকপা লেমজনিংঙাই ওইবা মীংথোল ফঙবা লৈখ্রে। অসিগুম্বা সাইন্টিষ্ট অসিবুসু ঙসি শেলগী মনা পীদুনা ইকায়খুম্নবা উৎলি। অন্দ্রো এ সীগী মনুংদগী অসিগুম্বা লেমজনিংঙাই ওইবা মীওই থোক্লকপসি চাউথোকচনিংঙাইনি।

অন্দ্রো এ সীগী মনুংদা লৈরিবা লৈঙাক্কী স্কুলশিংগী মরক্তগী ক্লাস টেনগী এগজামদা পোজিসন ১ দগী ১০ ফাওবগী মনুংদা চল্লকপা য়াওরবদি লুপা লাখ ১০ পীগনি হায়না হান্ননা লাউথোকপা লৈখ্রে। হন্দক্কী এগজাম অসিদদি এ সী অসিগী মনুংদগী লৈঙাক্কী স্কুলগী মহৈরোয়না অসিগুম্বা রেঙ্ক অসিদা চল্লকপদি য়াওদ্রে। অদুবু লাক্কদৌরিবা চহী অমা অনীগী মনুংদা অন্দ্রো এ সীগী মনুংদা লৈবা লৈঙাক্কী স্কুলগী মহৈরোয়শিংগী মরক্তগী অসিগুম্বা রেঙ্ক অসি চনবা ঙম্লক্কনি হায়বগী থাজবা লৈরে।

এ সী অসিগী মনুংদা লৈবা স্কুল খরা হায়স্কুলদা অপগ্রেদ তৌবা অমদি হায়র সেকেন্দরিদা অপগ্রেদ তৌবা লৈখ্রে। অজাদ হায়র সেকেন্দরি স্কুল য়াওনা এ সী অসিগী মনুংদা লৈবা স্কুল কয়াগী মহৈরোয়শিংনা হন্দক্কী মেত্রিক অমদি টুৱেল্ব এগজামদা ফর্ষ্ট দিবিজনদা মার্ক ৱাঙনা পাস তৌরকপগী চাং অসি য়াম্না ৱাঙখি। মসিমক য়াম্না শিংথানিংঙাই ওইবা অমনি। অন্দ্রো এ সীগী মনুংদা লৈবা লৈঙাক্কী স্কুলশিংদা মহৈ তম্নবগীদমক মহৈরোয় মশীং য়াম্না লাক্লে। স্কুলশিং অসি মপুং ফানা শেমগৎনবগীদমক অখন্নবা মীৎয়েংগা লোয়ননা থৌরাং কয়া পায়খৎতুনা লাক্লি।

লৈঙাক্কী স্কুলশিংসু মপুং ফানা শেমগৎতুনা অফবা মহৈরোয় পুথোকপদা থৌদাং লৌনবা হোৎনবা চঙই। অন্দ্রো এ সীগী মনুংদা লৈরিবা লৈঙাক্কী স্কুলশিং অসি অফবা স্কুল ওইহন্নবগীদমক চঙবা য়াবা মীৎয়েংশিং চঙদুনা লাক্লি হায়নসু ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা অন্দ্রো নগর পঞ্চায়টকী চেয়রপর্সন এল লুখোয়না প্রসিদেন্ট ওইনা শরুক য়াখি। কাউন্সিল্লর ৱাই শাজাওবা, দিভলপমেন্ট ওর্গনাইজেসন অন্দ্রো কেন্দ্রগী প্রসিদেন্ট সীঐচ সুরেস, এদভাইজর এস এম সলামদ, ত্রেজরর এস ইনাওবী অমদি দিভলপমেন্ট ওর্গনাইজেসন অন্দ্রো কেন্দ্রগী পেত্রোন টিঐচ ববিতাসু দৈইজদা ফমখি।

থৌরম অদুদা অন্দ্রো এ সীগী মনুংদা লৈবা মহৈরোয়শিংগী মরক্তগী ক্লাস টেন অমদি টুৱেল্ব এগজামদা মার্ক ৱাঙনা ফঙলকপা মহৈরোয়শিংদা মনা-মথুম পীদুনা পুক্লিং থৌগৎখি।

# এদ্যুকেসন মিনিষ্টরনা বিষ্ণুলাল হায়স্কুল শঙ্গাখ্রে

ইম্ফাল, জুন ২৮ (ঐচ এন এস) : এদ্যুকেসন মিনিষ্টর টিঐচ রাধেশ্যামনা ঙসি কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্তা লৈবা বিষ্ণুলাল হায়স্কুলগী নৌনা শাবা স্কুল বিল্ডিং শঙ্গাখ্রে।

স্কুল শঙ্গাবগী থৌরম অদুদা চীফ গেষ্ট ওইনা ৱা ঙাংলদুনা এদ্যুকেসন মিনিষ্টর টিঐচ রাধেশ্যামনা হায়খি, ষ্টেট অসিদা লৈরিবা লৈঙাক্কী স্কুলশিং অসি মপুং ফানা চলায়বা ঙম্নবা হোৎনবদা মহৈরোয় অমদি ওজাশিংগী মথক্তা মমা-মপা ওইবশিং, অহল-লমনশিং অমদি কৈরোয়-লৈকায়গী অচৌবা থৌদাং লৈ। মীয়ামগী ওইবা ঈহৌ নৎত্রগা থোকহন্নিংদবা থৌদোকশিংদা স্কুলগী পোৎলমশিং অমদি স্কুলশিংদা অকায় অথোয় থোক্লকপা য়াওরকপশিং অদুগী মতাংদসু মিনিষ্টরনা নুংনাংবা ফোঙদোকখি।

তাইবং শেম্বা মপু খুরুম্বা চৎলিবা লাইশঙগুম স্কুল অসিসু লাইশঙগুম্বনি। স্কুল অসি তুংগী য়ুম্বী ওইগদৌরিবা মহৈরোয়শিংনা লাইরিক্কী মঙাল ফঙবা, মীরোল তাবা অমদি অফবা মী অমা ওইনবা মফমনি। লৈঙাক্কী স্কুলশিংদা ইনফ্রাষ্ট্রকচরশিং ৱাৎলবসু ফঙলিবা খরা অসি শীজিন্নদুনা মীকোক থোংবা ঙম্লকপা হায়বসি অফবা অমগী মগুননি হায়নসু ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংলদুনা এদ্যুকেসন (এস) কী দিরেক্তর টিঐচ কিরনকুমারনা হায়খি, ক্লাসরুমশিং শেমগৎলকপা অসিনা মহৈরোয়শিংনা মহৈ তম্বদা খুদোং চারগনি। মহৈ তম্বগী রাইট ফঙহনবা হায়বসি ওজাশিংগী মথৌ ওইরে হায়নসু ফোঙদোকখি।

দেপ্যুটি সেক্রেটরি এদ্যুকেসন (এস) এল নন্দকুমারনা ফোঙদোকখিবদা, ক্লাসরুম শেম্বা লোয়রবনিনা অঙাংশিংবু নীংথিনা মহৈ-মশিন তম্বীনবা হোৎনবা তাই। লাইরিক তম্বা তোক্তুনা লৈরবা অঙাংশিং ওজাশিংনা থিদোকপা মথৌ তাই। মহৈরোয়শিংবু স্কুলদা পুরক্তুনা মহৈ তমহনবা অমদি মপুং ফাবা তুংগী পুন্সি অমা শেম্বা চঙই হায়নসু ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা জেদ ঈ ও হঙাচোঙ কিপগেন, হেদমাষ্টর খাগ্রা প্রসাদ পসাই, ওজাশিং অমদি মহৈরোয়শিং লোয়ননা মমা-মপাশিংনা শরুক য়াখি।

ঙসি শঙ্গাখিবা স্কুল অদু হান্না লৈরম্বা ইনফ্রাষ্ট্রকচরগী মথক্তা কম্প্যুটর কা অমদি লাইব্রেরি কা য়াওনা কা নিপান হাপচিল্লগা রাষ্ট্রিয়া মধ্যামিক সিক্ষা অভিয়ান ২০১৫-১৬ গী মখাদা শাবনি হায়নসু পাউ অসিনা মখা তারি।

# স্কাই হোস্পিটালদা লেম্না হার্ট হোবা মেনখ্রে

ইম্ফাল, জুন ২৮ (ঐচ এন এস) : স্কাই হোস্পিটাল ইম্ফালদা থা অসিগী ৩ অমদি ২৪ দা হার্টতা হোদুনা নারবা অঙাং মরি নন-ওপরেটিব (দিভাইস) ক্লোজর প্রোসিদ্যুর লেম্না তৌখ্রে।

রিমস রোদতা লৈবা স্কাই হোস্পিটাল এন্দ রিছর্স সেন্তরদা ঙসি পাউমীশিংগা উন্নবদা হোস্পিটাল অসিগী চ্যেয়রমেন ডা. এল শ্যামকিশ্বরনা হায়খি, স্কাই হোস্পিটালদা থা অসিগী ৩ অমদি ২৪ দা অঙাং মরি হার্ট হোবগী অনাবা লেম্না লায়েংদুনা হার্ট মেনখি।

রাষ্ট্রিয়া বাল শ্বাথয়া কার্যক্রম (আর বি এস কে), নেসনল হেল্ঠ মীসন, ষ্টেট হেল্ঠ সোসাইটি মণিপুরগী মখাদা স্কাই হোস্পিটালদা লেম্না হার্ট হোবগী লায়না অসি লায়েংখিবনি। কোঞ্জেনসিয়েল হার্ট দিজিজ হায়না খঙনবা পোকপদগী হার্টতা হোবগী অনাবা লৈরকপা চহী ১৮ গী মখাদা লৈবা অঙাংশিংবু লায়েংবগী থবক চথরকখিবনি। স্কাই হোস্পিটালদা অঙাংশিং অসিবু মায় পাক্লা লেম্না লায়েংখিবা অসিদা নুংঙাইবা ফাওই।

হার্টকী অনাবশিং লায়েংনবা হোৎনবদা লৈঙাক্কী অমদি মীয়ামগী মায়কৈদগীসু কোওপেরেসন পীবীয়ু। লাইয়েংখ্রবা অঙাংশিং অসি নোর্মেল পর্সন অমগুম চাউখৎলক্লগনি। থা খরদি মখোয় চাং নায়না চেক অপ তৌবগী তঙায়ফদবা লৈরি। স্কাই হোস্পিটালদা শগোলশেল খুদিংগী ইকোকার্দিওগ্রাফিক হার্ট স্ক্রীনিং সর্ভিস লেম্না পাঙথোকই।

থা অসিগী ৩ অমদি ২৪ দা লেম্না লায়েংখ্রবা অঙাংশিং অদুগী মনুংদা চান্দেল দিষ্ট্রিক্টকী বোংয়াং ভিলেজদগী অমা, সওম্বুংদগী অমা, ইম্ফাল ৱেষ্টতগী অমা অমদি থৌবাল দিষ্ট্রিক্ততগী অমা য়াওরি হায়নসু মখা তারি।

লেম্না নন-ওপরেটিব (দিভাইস) ক্লোজর প্রোসিদ্যুর মায় পাক্লা পাঙথোক্তুনা অঙাং মরি লায়েংখিবা অসিগীদমক নুংঙাইবা ফোঙদোক্লি হায়নসু মখা তারি।

# এৱার্দকীদমক লাইরিক পীখৎলক্লবা খঙহল্লক্লি

ইম্ফাল, জুন ২৮ (ঐচ এন এস) : সাহিত্য সেভা সম্মিটি মণিপুর, ককচিংনা কুমজা ২০১৮ গী জান্যুৱারি ১৫ দা লাম্থোক্কদবা খোরিরোলগী মনাশিংগী লাইরিক সম্মিটিদা চৎলিবা চহী অসিগী জুলাই ৩১ ফাওবগী মনুংদা কোপী অহুম অহুম পীশিল্লক্কন্দবনি হায়না সাহিত্য সেভা সম্মিটি মণিপুরগী সেক্রেটরিনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, লাইরিকশিং অদু লামায় ১০০ দগী হেনবা কুমজা ২০১৮ দগী কুমজা ২০১৬ ফাওবগী মনুংদা ফোঙবা অহানবা খুৎনমগী লাইরিক ওইগদবনি। লাইরিক্কী মখল অমদি মনাশিং অদুদি, য়াম্বেম মনি সাহিত্য মনা (মণিপুরী দ্রামা, ৱারেং, নৈন-ৱারেংগী লাইরিক্তা পীবা মনা), য়েন্দ্রেম্বম সুরলতা পুরষকার (মণিপুরী ৱারীমচা অমসুং ৱাশেম ৱারী মপুমগী লাইরিক্তা পীবা মনা), চীংখু মোইরাংলৈমা নীংশিং কবীরদাস মনা (মণিপুরী শৈরেংগী লাইরিক্তা পীবা মনা), ক্ষেত্রি ওংবী নলিনি সাহিত্য মনা (মণিপুরগী মপান্দা খুন্দা লৈতাদুনা লৈখ্রবা মীওইশিংনা ইবা মণিপুরী খোরিরোলগী লাইরিক্তা পীবা মনা) অমদি ক্ষেত্রি চাওবা ত্রান্সলেসন এৱার্দ (মণিপুরীদগী অতৈ লোন্দা নৎত্রগা অতৈ লোন্দগী মণিপুরীদা হন্দোকপা ) লাইরিক্তা পীবনা মনা) নি হায়রি।

সমিটিগী চহীগী চেফোঙ ৬১ শুবা চূমথাঙগী ৱারীমচা, শৈরেং, ৱারেংনচিংবগী আর্টিকলশিংসু চৎলিবা চহী অসিগী ওগষ্ট ৩১ ফাওবগী মনুংদা পীশিনবীরকউ। আর্টিকলশিং অদুগীসু চন্দ্রশখি লাইশ্রম চূমথাঙ মনাশিং থল্লি।

সাহিত্য সেভা সমিটি ককচিংনা কুমজা ২০১৮ গী জান্যুৱারি ১৫ দা লাম্থোক্কদৌরিবা খোরিরোলগী মনাশিং অসিগী লাইরিকশিং সমিটিদা খুৎশিন্নগদবনি। চহী অসিগী জুলাই ৩১ ফাওবগী মনুংদা লাইরিকশিংগী কোপী অহুম / অহুম পীশিল্লক্কদবনি। লাইরিকশিং অদু লামায় ১০০ দগী হেনবা ওইগদবনি হায়রি।

# প্রিপাক (প্রো) গী কাদর ১ ফারে

ইম্ফাল, জুন ২৮ (ঐচ এন এস) : ইম্ফাল ৱেষ্ট পুলিস কম্মান্দোগী টিম অমনা ঙরাং অয়ুক পুং ১০.৩০ রোম তাবদা খুয়াথোংগী বস পার্কিং মনাক্তা প্রিপাক (প্রো) কী নুপী কাদর অমা ফারে। ফারবা নুপী অদুগী মমিংনা লোংজম ওংবী মালেম এলিয়স থোইবী (৩৩) মপুরোইবা লোংজম সুভাস এলিয়স পালিবা কৌই। মহাক খুয়াথোং পোলেম লৈকায়দা লৈবনি হায়রি।

মহাক কুমজা ২০০২ দা লূপ অসিগী মশানা মশাবু সর্জন্ট ঙানবনি হায়বা অমগী মখাদা চহী খরা শজিক তম্পাক্তা ট্রেনিং তৌরুরে। মহাক ১২শুবা বেটচকী মীওইনি। মহাক্কী রেঙ্কনা এস এস লেফটিনেন্টনি। অদুগা এস এস চ্যেরমেন সুভাস এলিয়স পালিবগী মখাদা থবক তৌবনি হায়রি।

অমরোমদা ইম্ফাল ৱেষ্ট কম্মান্দোগী টিম অমনসু ঙরাং অয়ুক পুং ৪.৩০ দগী পুং ৬ ফাওবা লাঙ্গোল গেম ভিলেজ জোন ফোর এরিয়াদা লৈবা য়ুমশিংদা চিংনবা মীওই লৈব্রা হায়দুনা থি-হুন্বা চথখ্রে। মদুদা নুপা অমা ফাদুনা পুরক্লগা ৱাহং-পাউহং চথরবা মতুংদা থাদোকখ্রে হায়রি।

# বারাক সর্কলদা ভিজিট তৌখ্রে

ইম্ফাল, জুন ২৮ (ঐচ এন এস) : জিরিবাম এসেম্ব্লী কন্সটিট্যুয়েন্সিগী এম এল এ উসব উদ্দিন্না বোরোবেক্রা সব দিবিজনগী মনুং চন্না লৈবা বারাক সর্কল ভিজিট তৌদুনা য়েংশিনখ্রে।

ঙসি এম এল এ উসব উদ্দিন্না জিরিবামদগী বারাক সর্কল তম্না চৎতুনা লম্বীগী ফিভম য়েংখি। পোটহোল মেন্নবগী থবক পায়খৎনবগী থবক থৌরমশিংসু য়েংশিনখি। জিরি টিপাইমুখকী ফিভম শোক্লবা ফিভমশিংসু য়েংখি। তুংদা এম এল এনা ছোতোবেক্রা ভিলেজদা চৎতুনা মফম অদুদা লৈরিবা থোংগী ফিভমসু য়েংশিনখি। য়েংশিন খোঙচৎ অদুদা পাউমীশিংনা হংখিবা ৱাহংগী পাউখুম পীরদুনা এম এল এ উসব উদ্দিন্না হায়খি, জিরিবামগী টি ইষ্টেট অসি নীংথিনা হিংগৎহন্দুনা থবক ফঙদ্রিবা নহা কয়াদা থবক পীদুনা শেন্মীৎলোন ফগৎহনবা তঙায়ফদ্রে। জিরিবামগী মহৈলোয়শঙশিংগী ফিভম ফগৎহন্নবা অমদি ওজাগী অৱাৎপা মেনশিন্নবা অকনবা মীৎয়েং চঙলি হায়নসু ফোঙদোকখি।

# তলব ফঙহনবীয়ু

ইম্ফাল, জুন ২৮ (ঐচ এন এস) : জিরিবাম দিষ্ট্রিক্ট জোনেল ওফিসকী মখাদা লৈবা ওজাশিংগী এমজেল অপদেদ তৌবগী প্রোসেস লোয়শিনদবনা মরম ওইরগা জোনেল এদ্যুকেসন ওফিসর, জিরিবামগী মখাদা লৈবা ওজাশিং চহী অসিগী মার্চতগী জুন ফাওবগী ফঙফম থোকপা তলব ফঙদবনা ওজাশিং ৱানরে হায়না ওল মণিপুর ইলিমেন্টরি স্কুল টিচর্স এসোসিয়েসন জিরিবাম ব্রাঞ্চকী সেক্রেটরিনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

মরী লৈনবা ওথোরিটিনা মীৎয়েং চঙবীদুনা অথুবা মতমদা ফঙফম থোকপা তলব অসি ফঙহনবীয়ু হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

# য়ানিংদবা ফোঙদোকখ্রে

ইম্ফাল, জুন ২৮ (ঐচ এন এস) : হাওকিপ ষ্টুদেন্টস ওর্গনাইজেসনগী লেটখোলাল হাওকিপ এলিয়জ পালনবু তমথিনা হাৎলম্বা মীহাৎ অদু সোসল ৱেলফেয়র এন্দ কোর্পোরেসন মিনিষ্টর নেমচা কিপজেন্না য়ানিংদবা ফোঙদোকখ্রে।

সোসল ৱেলফেয়র মিনিষ্টরনা রিমসগী মোর্গতা চৎতুনা লৈখিদ্রবা লেটখোলাল হাওকিপকী ইমুং মনুংগী মীওই উন্নদুনা অৱাবা নুংঙাইতবা ফোঙদোকখি। মহৈরোয় অদুনা লৈখিদবদা ইমুং মনুংনা ফাওরিবা অৱাবা শরুক য়ারি। মহাক্না লৈখিদবা অসি খুন্নাই অসিগী অমাঙবনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

# শেলগী তেঙবাং পীদুনা পুক্লিং থৌগৎখ্রে

ইম্ফাল, জুন ২৮ (ঐচ এন এস) : আই আই টি-জে ঈ ঈ এদভান্স এগজাম ২০১৭ দা ক্বালিফাইদ ওইরকখ্রবা নিংথৌজম রাপসনদা এসোসিয়েসন ওফ মণিপুরী দাইপোরা (অমন্দ) পুনেগী মায়কৈদগী শেল ওইনা লুপা লিশিং ১৫ গী চেক খুৎশিন্নদুনা পুক্লিং থৌগৎখ্রে হায়না অমন্দ পুনেগী ভাইস প্রসিদেন্ট ঐচ নরেন্দ্রনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, অমন্দ পুনেনা পুনেগী মফম কয়াদা তল্লিবা মণিপুরী মহৈরোয়শিংগী মহৈ-মশিনগীদমক অঙম্বা মতেঙ কয়া পাঙদুনা লাক্লি। অমন্দ এদ্যুকেসন এইদ হায়বা প্রোগ্রাম অমসু হৌদোকখ্রে। প্রোগ্রাম অসিগী মখাদা মণিপুরদগী ওর্ফানেজ গার্লস ষ্টুদেন্টদা শেলগী তেঙবাং পীনবা পান্দম থল্লি। অমন্দনা পুনেগী তোঙান তোঙানবা মফমদা মহৈ তল্লিবা মণিপুরী মহৈরোয়শিংগী কেরিয়র কাউন্সেল্লিংগী থবক্তসু মতেঙ পাংলি।

আই আই টি-জে ঈ ঈ এদভান্স এগজাম ২০১৭ দা ক্বালিফাই ওইরকখ্রবা খাঙবোক সোরোক ৱাংমদগী রাপসনদা অমন্দগী মায়কৈদগী চেক খুৎশিন্নবগী থৌরম অমা ঙরাং পুনেদা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা অমন্দগী জেনরেল সেক্রেটরি অমদি ভাইস প্রসিদেন্টদসু য়াওখি। অমন্দগী প্রসিদেন্টনা রাপসনদা লুপা লিশিং ১৫ গী চেক খুৎশিন্নখি হায়নসু পাউ অসিনা মখা তারি।